# হৌজিক ঐখোয়না অকনবা ট্রেনিং পীদুনা হোৎনজরিবা অঙাংশিং অসিদি মথংগী ওলিম্পিক গেমস ২০২৪গীনি



অঙোম সুরজিৎ
*(জুদো, এন আই এস কোচ)*

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং

(ঙরাংগী মখা)

জুদো শান্নবা পামজদুনা থোরক্লিবা অঙাংশিং অসিদি অমত্তা লেম্না মাঙহন্নিংদে। ঐখোয়সু য়াম্না ৱানা মশান্নসিদা খোঙদারকখিবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গীদি লাইবক ফবা অমনা, ইমা অমদি বাবা অনীমকসিনা মচা ঐখোয়না শান্নগে হায়বদা নথৱায়নবু পামলবদি শান্নৌ হায়দুনা শান্নহনবীরকখি। ঐবু পোকপা বাবা অঙোম খোঙনেম মৈতৈ অমদি ইমা অঙোম ওংবী কোম্বীরৈনা ইনকরেজ ফজনা তৌবীরকখিবা অদুনা শান্নবসু ঙমজরকপনি। ইমানা, দাদা চাওবগা ঐহাক্না ইম্ফালদা বস তোংদুনা নুমিৎ খুদিংগী শান্নবা চৎখিবদু গাড়ি অতোংমন লুপা অনীমখায়/অনীমখায় পীবিরকখি। অদুগা ঐখোয় ইচিন-ইনাও নিপান (নুপা অহুম, নুপী মঙা) পোকপসি শান্ন-খোৎনবা লোইনা পাম্মী। ইম্ফালদা থওইনা শান্নবা তম্বা থারকখিবসিনা দাদাগা ঐগনি। ইমাদি মরিনসু য়াম্না খাই। মচা ঐখোয়বু মী ওইনবা হোৎনবদা শিংজমৈ, খাইরম্বন্দ, লম্লোং কৈথেলনচিংবদা ঙা লল্লোল্লকখি। বাবাগা ইমাগনা ঙা লল্লোন্দুনা মচাশিং ঐখোয়বু চাউনবা য়োক্লকখিবনি। ববাসিসু কুমজা ১৯৯৮দা নেসনল গেমসকী ঐখোয়না প্রেক্টিস কন্না তৌরিঙৈ মতমদা খঙহৌদনা নারকপদগী লৈখিদবনি। মচা ঐখোয়বু মী অমমম ওইনবা হোৎনবদা ৱানা হোৎনজরম্বনি। ইমানা ঐখোয়বু নুংশিনা মী ওইননবা হোৎনবীরকখিবা অদুনা ঙসি ঐখোয়না মীরক তীনবা ঙমজবনি। ঐখোয়না শান্নবা হৌজরকপা মতমদা ইমানা তত্তনা হায়বীরকখিবা নশা নশানা পাম্মী হায়দুনা খোঙ থাঙজিল্লবনিনা মীগা লম্বা তৌনবা মতমদা মাঙজিন থানবদি হোৎনরকউ। ঐ ঐনা হৈজবা শিনফমদা মীকোক থোঙবা হায়বসিদি নশা নশাগী হোৎনজমনসু য়াওদবা য়ারোই। পাম্মী হায়দুনা চঙলুরবনিনা মী ওইদবদি য়ারোইকো ইচাসা হায়বদু ঐখোয়নসু কাউরক্তে। অদুগা ইমাদি মরম চাদনা মীগা মুক্লবা, খৎনবা, য়েৎবসি শুকয়া য়ারক্তে। মতাং মতম চাদনা মীগা খক খৎনগনু হায়দুনা মতম চুপ্পদা পাউতাক পীবিরকখি। নমান্নবা মরুপ-মপাং তীন্নবদা, লোয়নবদা ৱাহৈ-ৱাতা নুংশিবা ঙাংগদবনি। অকনবা ফজ দবা খোন্দা শিজিন্নবা য়াদেকো, ফজবা লমচৎ-শাজৎ, ৱাঙাং-শঙাং হায়বসি য়াম্না লুবনিকো হায়বসিসু তাকপীরকখি। ইমানা খরগীমখৈ গাইদ তৌবীরকখিবা অদুনা পুন্সিদা কান্নবসু য়াম্না ফংখি। দাদাদি জুদোসিসু কুইনা শান্নরমদ্রে। ইমুং-মনুংগী মতেং পাঙবরোমদা মায় অদুম ওনশিনখ্রে। ইচনশিংগা ঐগদি খরা শাংনা শান্নজবা ফঙজহৌবদুদা ঙসিগী থাকসি য়ৌজবা ঙমজহৌরিবনি।

ইশাগী কোচ অমা ওইবগী ৱারীদা অমুক লাকচরবদা, ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদমিদগী হৌজিক ইন্টর্নেসনল থাক য়ৌনা শান্নবা ঙম্বা প্লেয়র পুথোকচখ্রিবসি পুন্না মাপল শুখ্রে। হায়রিবা জুদোকাশিং অদুদি হুইদ্রোম সুনিবালা, ধনপ্রিয়ারি, তাবাবি, রোসনি, রুবিনা, মতৌলৈবী, কলপনা, গুগুরিয়া অমসুং ইচলনি।

অদুগা নেসনল থাক য়ৌনা শান্নবা ঙম্বগা লোয়ননা মনা মথুম পুরকপা ঙমখ্রবা প্লেয়রশিংদি নুপীমচাদা ২৪, নুপামচাদা ২২ শুখ্রে। নুপীমচা জুদোকাশিং অদুদি, মালোতি, নুংশিথোই, জেন্নি, নিশিতা, রোসিবীনা, সুনন্দি, বেলোরি, বিদ্যালক্ষ্মী, কলপনা, গুগুরিয়া, ধনপ্রিয়ারি, সুনিবালা, তাবাবি, শ্বিতি, রোসনি, রেবিনা, লিস্থোই, মতৌলৈবী, গঙ্গারানী, সনাথোই, ইচল, অঞ্জলি, চাওবনি।

নেসনল থাক্তা নীংথিনা শান্নবা ঙম্লক্লিবা নুপা জুদোকাশিংনা মালেমঙানবা, কিরনকুমার, রাজেন্দ্রো, সনাতোম্বা, থেমিস, বোবোইসনা, য়োহেনবা, দিপক, দিসোন, রিসিকান্ত, বিরকোমোল, সোমোরজিৎ, অবুংচা, নিশিকান্তা, সুনিল, ৱাংথোই, ধনঞ্জয় য়াইখোম্বা, থোইবা, য়াইফবা অমসুং সনাথোইনি।

মথং... মথং....








## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০২

১) কুমজা ১৯৭০দা বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খরা পীরি। মসিগী মরক্তা শরুক য়াখিদবা অমগী মমিং পীয়ু। ইমোচা, বিধু, বসন্ত কবুই, লুঙ্গাইনি, কোঙাংবি।

২) হন্দক্তা বোলর অসি শীখি অমদি টেষ্ট অমদা ইনিংস অমদা ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯গী জুলায়গী অরোইবা চয়োলদা লৈখিদবা মমিং চৎপা বোলর অতোপ্পা অদু কনানো? মহাক করিগীদমক মমিং চৎখিবনো? পাউখুম অনী পীয়ু?

৩) মহাক কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল ফংখি। চহী ২০গী মতুংদা থৌরম অদুমক্তদা মহাক্না ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমসু ফংখি। মহাক্না শরুক য়াবা থৌরম অদু ওলিম্পিক্তগী লৌথোকখ্রে। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) নাগাওন্দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম অমনা শরুক য়ারুই। মদুদা চীংমী মপাল (৯) অমসুং তম্পাক্তগী অনী (২) য়াওখি। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী অদু কনা কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কটারনা গ্রুপকী খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা টিম ওইরবসু ইন্দিয়ানা কিফম থোক্তে: কোচ ষ্টিমেক



দোহা, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপাগী সেনিয়র ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা ক্রোসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমাক্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কটারগা শান্নগদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইংগী গ্রুপকী অনীশুবা মেচ অদুদা য়ুম্বু লৈবাক অদুনা মপাঙ্গল লৈরবসু ইন্দিয়ানা কিফম থোক্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইংগী গ্রুপকী অহানবা মেচতা ওমানগা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবদা পাঞ্জল অমা মাংজিল থাদুনা লৈরল্লবা মতুং অনীশুবা হাফতা মায়োক্লবা টিম্না মেচ লোয়গদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা পাঞ্জল অনী চনশিল্লগা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মখোয়গী অনীশুবা ক্বালিফাইং মেচ শান্ননবা কটারগী কোনুং দোহাদা ঙরাং থুংখিবনি। কটারনা কুমজা ২০২০গী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা শেমশাদুনা লৈরি।

পনবা য়াই, চহী অসিগী জনুৱারী থাদা এয়িন কপকী টাইটলসু লৌবা ঙমখ্রবা কটারনা মখোয়না য়ুম্বু ওইগদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিগী শেম শাবা ওইনা ক্বালিফাইং রাউন্দা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী কোচ ক্রোসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমাকনা ফোঙদোকখিবদা ওমানগা শান্নখিবা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় ৪/৫ রোম কটারগা শান্নগদবা মেচ অদুদা শিন্দোক্তুনা শান্নহনগনি হায়রি।

# ইক্বাদোরনা কলম্বিয়া অমসুং পেরুগা লোয়ননা ২০৩০ ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইবগী ৱাফম থমখ্রে

FIFA
For the Game. For the World.



ক্বিন্তো, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী)ঃ

ইক্বাদোরগী প্রেসিদেন্ট লেনিন মোরেনানা ফোংদোকখিবগী মতুং ইন্না কুমজা ২০৩০ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইননবা কলম্বিয়া অমসুং পেরুগা অরোইবা ৱারেপ লৌমিন্নরে হায়খ্রে।

ইক্বাদোরগী প্রেসিদেন্ট লেনিন মোরেনোনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০৩০গী য়ুম্বু ওইবগী বিদ তৌরকখিবা অদু মাংজৌননা অতোপ্পা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অহুমগী ওইবা বিদ অমা লৈখ্রবা মতুংদা তৌরকপনি। সাউথ অমেরিকাগী অতোপ্পা লৈবাক অহুম অদুদি, আর্জেন্টিনা, উরুগ্বে, পরাগ্বে অমসুং চিলিনি।

ইক্বাদোরগী প্রেসিদেন্ট লেনিন মোরেনোনা মহাক্কী ত্বিটরদা ফোঙদোরকখিবদা মহাক মশামক্না কলম্বিয়াগী প্রেসিদেন্ট ইভান দুকে অমসুং পেরুগী প্রেসিদেন্ট মার্টিন ভিজকারাদা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০৩০ অসি ফিফানা সাউথ অমেরিকাদা ৱর্ল্ড কপ অসি য়ুম্বু ওইননবা হান্নদগী ৱারেফ লৈখিবা মরম্না লৈবাক অহুমনা পুন্না য়ুম্বু ওইবগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি হায়খি।

ইক্বাদোরগী প্রেসিদেন্ট লেনিননা মখাতানা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী লৈঙাক্না ইক্বাদোরগী ফুটবোল ফেদরেসন্না ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০৩০গী য়ুম্বু ওইবদা চংগদবা মচাক পুম্নমক মতাং মতম চানা পীগনি অশোইবা লৈরোই হায়না থাজবা পীখি।

পনবা য়াই, ফিফাগী অহানবা ৱর্ল্ড কপ অদু সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক উরুগ্বেনা য়ুম্বু ওইরগা ১৯৩০দা পাঙথোকখিবনি। চহী ১০০ শুরকপগা লোয়ননা সাউথ অমেরিকাদা য়ুম্বু ওইনবা ফিফানা খুদোংচাবা পীরকপনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭তা আর্জেন্টিনা অমসুং উরুগ্বেনা ২০৩০গী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্বু পুন্না ওইনবগী ৱারেপ মাংজৌননা লৈখ্রবা অদুগী মতুংদা পরাগ্বেনা লৈবাকসু য়ুম্বু ওইনিংবগী ৱাফম ফোঙদোরকপনি। লোয়ননা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০৩০গী য়ুম্বু ওইনবগীদমক চৎলিবা চহী ২০১৯ অসিদা ইকোন কোন্না সাউথ অমেরিকীগী লৈবাক অমা ওইরিবা চিলিনসু য়ুম্বু ওইনবগী ৱারেপ থাঙ্গৎলকখিবনি।

পনবা য়াই, কলম্বিয়া, ইক্বাদোর, পেরু অমসুং পরাগ্বেনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু ওইখিবা লৈত্রি। অদুবু আর্জেন্টিনা, চিলি অমসুং উরুগ্বেনা ৱর্ল্ড কপ অসি য়ুম্বু ওইখ্রবনি।

# নহা ওইরিবী কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসপু ফাইনেলদা থোইদুনা য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

us open



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী)ঃ

চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা কানাদাগী নহা ওইরিবী এন্দ্রিস্কুনা য়ু এসকী মমিং লৈরবী শান্নরোয় সেরেনা ৱিলিয়মসপু মায়থীবা পীদুনা করিয়রগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

কানাদাগী মশাগী চহী ১৯দা ঙাইরিবী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা ঙরাং অথেংবদা ন্যু য়োর্ক সিটিগী ফ্লসিং মিদো টেন্নিস সেন্টরদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ অদুদা বিয়ানকানা মালেমগী টেন্নিস পুৱারীদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২৩রক লৌবা ঙমখ্রবী য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসকা লম্বা তৌনখি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিদা ১৫শুবা সিদেদ ওইনা শরুকা য়ারকখিবী কানাদাগী বিয়ানকানা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় স্বিজরলেন্দগী শান্নরোয় বেলিন্দা বেন্সিকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৬(৭-২), ৭-৫দা থোইরম্বনি। অমরোমদা য়ু এসকী শান্নরোয় ৮শুবা সিদেজ ওইনা শান্নরকপী সেরেনা ৱিলিয়মসনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী শান্নরোয় এলিনা স্বিটোলিনাবু য়াম্না কোম্না ৬-৩, ৬-১দা থোইরমখি।

৩৩রকশুবা গ্রান্দ স্লাম ফাইনেল শান্নরকপী সেরেনা ৱিলিয়মসপু ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা অমদি মহাক্কী সার্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল অদুদা সেট অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

পনবা য়াবদি সেরেনা ৱিলিয়মসনা মহাক্কী অহানবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা মতম ১৯৯৯দা বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু পোকখিদ্রিবনি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা সেটতা বিয়ানকানা ঙন্না সেরেনা ৱিলিয়মসকী সার্ভিস গেম ব্রেক তৌদুনা সেট অদুদা ৱিলিয়মস গেম ২-৪দা শোথরগা সার্ভিস তৌরকখি। অদুবু ৱিলিয়মসনা মহাক্কী মশান্নদা ফজবা হেনগৎলক্তুনা গেম ৪-৪দা লৈনখ্রবা মতুং ১১শুবা ৱিলিয়মসকী সার্ভিস অদু অমুক হন্না ব্রেক তৌদুনা সেট অদুদা গেম ৬-৫দা মাংজিল থারদা ১২শুবা গেম অদু সার্ভিস তৌরকপদা হোল্ড তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৭-৫দা থোইদুনা চহী অসিগী য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লামগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌদুনা মহাক্কী করিয়রগীতনত্তনা কানাদা লৈবাক্কী শান্নরোয় অমনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা ফাইনেল মেচ অদু মিক্স দবলসকী ওইখি। বৃটেনগী জেমি মুরে অমসুং য়ু এস এগী বেথনি মাটেক সেন্দস অমদি মকোক থোংবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ টাইপৈগী চান হাও চিং অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসকা লম্বা তৌনখি।

ফাইনেল মেচ অদু হৌবদগী হৌননা য়ু এস অমসুং বৃটেনগী পেয়র অদুনা য়াম্না পাঙ্গল লৈনা শান্নরকপা মরম্না অহানবা সেট অদুনা মখোয়না চাইনিজ টাইপৈ অমসুং মাইকেল ভেনসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরগা ফাইনেল মেচ অদুদা সেট অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেট অদুদা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরক্লবসু বেথানি অমসুং মুরেগী পেয়র অদুনা পাঙ্গল হেনখিবদগী সার্ভিস ব্রেক অমগসু মুন্দুনা ৬-৩দা থোইরগা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু ফংখি।

ঙসি অথেংবদা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা নুপীগ দবলসতা বিক্টোরিয়া অজারেনকা অমসুং এসলি বার্টিগী পেয়রগা এলিজ মার্টেন্স অমদি এরিনা সবালেনকাগী পেয়রগা ফাইনেল শান্নরগনি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা রসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ফজবা পর্ফোমেন্স পীনবা হোৎনগদৌরি




ইকাটেরিনবর্গ, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা হয়েংদগী হৌগদদৌরিবা নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎননবা হোৎননবা হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারীদা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিনশিপ্তা মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বোক্সর অহুম লৈখ্রে। মখোয়শিং অদুদি বিজেন্দর সিংহ (কুমজা ২০০৯), বিকাস কৃসন (কুমজা ২০১১), সিবা থাপা (কুমজা ২০১৫) অমসুং গৌরব বিধুরি (কুমজা ২০১৭)নি।

হায়রিবা বোক্সর মরীমক মখোয়না শরুক য়াখিবা কুমজা অদুগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা ঙাক্তনি। মখোয়গী পর্ফোমেন্স অদুদগী ফগৎহন্ননবা রসিয়াগী সিটি ইকাটেরিনবর্গতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিম অসিগী হায় পর্ফোমেন্স দিরেক্টর ওইরিবা সান্তিয়াগোনিএভেনা ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অসি কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাইয়িং ইভেন্ট অমা ওইরম্বনি। অদুবু ওলিম্পিক্সকী ৱেথ কেটগোরিগা ৱর্ল্ড বোক্সিংগী ৱেথ কেটগোরিগা খেন্নবা খরা লৈরকপদগী রসিয়াগী চেম্পিয়নসিপ অদু ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাইয়িং ইভেন্ট অমা ওইখিদবনি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা লৈবাক ৮৭তগী বোক্সর ৪৫০না লম্বা তৌনগদৌরি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোক্সর ৮না হান্না ইনিদয়াগী লৈখিবা রেকোর্দ অদু ফজনবা হোৎনগৌরি।

# চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা বাস্কেটবোল ৱর্ল্ড কপ্তা ফ্রান্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর য়ৌখ্রে



নানজিং, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী)ঃ

চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা সিটি ৮দা পাঙথোক্লিবা বাস্কেটবোল ৱর্ল্ড কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নোক আউট রাউন্দগী মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ফ্রান্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নানজিং সিটিদা লৈবা য়ুথ ওলিম্পিক স্পোর্টস পার্ক জিমনেসিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ এলগী নোক আউট ষ্টেজগী অহানবা মেচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা দোমিনিকন রিপব্লিকপু পোইন্ট ৮২-৭৬তা মায়থীবা পীখি। অদুগা ফ্রান্সনা লিথ্বানিয়াগা শান্নখিবা য়াম্না নক্লবা লম্বা অমদা পোইন্ট ৭৮-৭৫তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং দোমিনিকন রিপব্লিক্কা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ২৪-১৯দা হেনখি। অনীশুবা ক্বার্টরদনা দোমিনিকন রিপব্লিক্না ১৯-১৬দা হেনখি। অনীশুবা হাফকী শান্নররকপা অহুমশুবা ক্বার্টরদা ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট ১৭-১৪দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী অরোইবা ক্বার্টরদা মখোয়না দোমিনিকন রিপব্লিকপু ২৫-২৪দা হেনখিবদগী পুন্না ৮২-৭৬তা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ঙরাংগী ফ্রান্স অমসুং লিথ্বানিয়াগী মেচ অদুদা অহানবা হাফকী অহানবা ক্বার্টরদা ফ্রান্সনা পোইন্ট ২৬-১৪দা হেনখ্রবসু অনীশুবা ক্বার্টরদা লিথ্বানিয়ানা ২৬-২৪দা অমুক হেনখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা ফান্সনা ১৫-১৪দা মাংজিল থারগা লৈরিঙৈ অরোইবা ক্বার্টরদা লিথ্বানিয়ানা ২১-১৩দা হেনখ্রবসু অপুনবা পোইন্টতা ফ্রান্সনা মখোয়দগী পোইন্ট ৩ হেল্লগা ৭৮-৭৫তা থোইদুনা ক্বার্টর য়ৌখি।